ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চথরিবা কোভিদ ভেক্সিনেসনগী থবক থৌরমশিং ইম্ফাল ইষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নার কে ঐচ দাইনানা লুচিংবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসলশিংনা হকথেংননা য়েংশিনখিবা



মিলন এন্টরপ্রাইজেস, সৈত্যম গ্রুপ ওফ ইন্দষ্ট্রিজ অমদি বজার কম্যুনিটিনা তোঙান তোঙানবা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা লৈরিবা অনাবশিংগী লঞ্চ পীরিবা অসিদা অচঙবা চেঙশিং তেংবাঙলগনি হায়না এম এল এ জয়কিষননা ফোঙদোকখিবা



থাউ অমদি তঙাইফদ্রবা পোৎলমশিংগী মমল হেনগৎপগী মায়োক্তা সী পি আই, সী পি আই-এম, আর এস পি অমসুং এ আই এফ বিনা পুন্দুনা চথরকপা থাখায় প্রোটেষ্টকী শরুক অমা ওইনা হিয়াংলম অৰাং লৈকায়দা পাঙথোকখিবা মীফম




ওইনাম এ সীগী এম এল এসু ওইরিবা মণিপুর পোল্ল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চেয়রমেন এল রাধাকিশোরগী লমজিং মখাদা কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স কৈনৌ গ্রাম পঞ্চায়টনা শীন্দুনা জি পি অসিগী মীওই ১০০০ রোম ভেক্সিন কাপখিবা




## প্রোটেষ্ট থাখায় লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস): লৈবাক শিনবা থুংনা সী পি আই, সী পি আই-এম, আর এস পি, এ আই এফ বি অমসুং সী পি আই (এম এল) লিবরেসন্না পুন্দুনা হৌখিবা জুন ১৬তগী হৌদুনা থাঙ্গী অমদি তঙাইফদবা পোৎলমশিংগী মমল হেনগৎপগী মায়োক্তা চথরকপা প্রোটেষ্ট থাখায় ঙসিসু হিয়াংলম অৰাং লৈকায়দা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা লোইশিনখ্রে। প্রোটেষ্ট মীফম অদু এন য়াইস্কুল অমসুং সী পি আই থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী সেক্রেটরি এলাংবম শরতনা প্রিসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইদুনা পাঙথোকখি। মীফম অদু লোইশিল্লকপদা থাউগী মমল হেনগৎপগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোল্লাও কয়াসু লাউখি হায়না লেফ্ট পার্টিজ কোওর্দিনেসন কম্মিটি মণিপুরগী কনভিনর ক্ষেত্রিময়ুম শান্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## হিদাক পীখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস): লমদিং এদ্যুকেটেদ ৰেলফ্যের এসোসিএসন (লেৰা), লমদিং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা অৰাবা তারবশিংদা তেংবাঙবগী শরুক অমা ওইনা ঙসি নুংথিল খুমন্থেম লৈকায়দা লৈবা পোজিটিভ ওইদুনা অমদি হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরিবা মীওই ২৮ রোমদা ইম্যুন সিষ্টেম কনখৎহন্নবা জিনকোভিট লিমসী টেব্লেট অমদি অচা-অথকনচিংবা লেৰাগী থৌমীশিংনা ময়ুম-ময়ুমদা চৎতুনা মতেং পাংখ্রে হায়না এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট এস ওজিৎনা ফোঙদোরক্লি।

## ভেক্সিন কাপখ্রে

থৌবাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা ভেক্সিন কাপ্পগী থবক অসি খরা হেন্না পাক শন্না চথনবা মণিপুর লৈঙাক্লা লৌখৎলকপা থৌরাংগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবাল অমদি খাঙবোক পার্টৰান জি পিগী প্রধানগা খুৎশম্নদুনা ঙসি জি পি অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম অনীদা পাক শন্না ভেক্সিন কাপথোকখ্রে।

জি পি অসিগী মনুং চন্না ৰার্দ নম্বর ১, ২, ৩, ৪ অমসুং ৮গী ওইনা পঞ্চায়ট ঘড়দা কাপখি। অদুগা খাঙবোক সোরোক ৰাংমা কম্যুনিটি হোলদা ৰার্দ নম্বর ৭, ৯ অমসুং ১০গী মীওইশিং কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপথোকখি।

হিদাক কাপথোকপা অদুদা শরুক য়াখিবা খাঙবোক পার্ট ৰান জি পিগী প্রধান নিংথৌজম মালানা হায়, তমথিরবা কোভিদ-১৯ লাইচৎতগী ঙাকথোক্লবা অমত্তা ঙাইরবা পান্থে ওইরিবা ভেক্সিন অসি মীয়াম্না চিংনবা লৈতনা কাপথোকপীয়ু। লোয়নননা লৈঙাক্লা পীরিবা কোভিদ-১৯গী চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্না চৎমিন্নদুনা কোভিদ ফ্রী ওইবা ইরমদম অমা শেম্মিন্নবদা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়না প্রধান মালানা মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিল্লকখি। ঙসিগী ভেক্সিন কাপথোকপা অদুদা ৭ ষ্টার য়ুথ ক্লব খাঙবোক সোরোক ৰাংমানসু অচৌবা থৌদাং লৌখি হায়রি।

## অৰাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস): কেকে মোইরাং কংলৈরোল কনবা লূপকী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্বা কুমাম তেলেশ্বর এলিয়স লান লুম্পা ঙাঙোইচা এলিয়স নিংথেমনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা লূপকী ফিরাল তংখায় চিংথদুনা লূপলোয়শিংনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্পুনা অৰাবা ফোঙদোকখ্রে। তুংদা লৈখিদ্রবগী শঙ্গাইদা চৎতুনা ইমুং-মনুংগী অৰাবদসু শরুক য়াখি হায়না কেকে মোইরাং কংলৈরোল কনবা লূপকী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## কার্দ ৬ ইস্যু তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস): ঙসি ইম্ফালগী বীর টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা মপান লমদগী মণিপুরদা চঙলকপা ইন্নর লাইন্ন পর্মিট (আই এল পি) পায়দবা মীওই ৬ মতম খরগী ওইবা ইন্নর লাইন্ন পর্মিটকী কার্দ ৬ পীখ্রে। লোয়নননা কার্দ ২ না রিন্যু তৌখ্রে হায়না ইম্ফাল ৱেষ্টকী তুলিহল এয়রপোর্টতা লৈবা পুলিস ওফিসরগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# রেজিষ্টর তৌবা মতমদা ৰাশকখিবশিং তুংওইনরম্লগা থবক তৌরকপা ডোক্তর কয়া উবা ফংলে : আর কে রঞ্জন

থৌবাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস): মেদিকেল তন্নিবা মহৈরোয়শিং অসিনা মহৈ তম্বা লোইদুনা রেজিষ্টর তৌবা মতমদা অচেৎপা ৰাশক লৌনরিবনি। অদুবু চাউখৎলকপগী অরং-অরাক ময়াম অসিদা ৰাশকশিং অদু কাউথোক্লদুনা তুংওইনরগা থবক তৌরকপা ডোক্তর কয়ামরুম ঙসিদি উবা ফংলে হায়না লোক সভাগী এম পি ডা. আর কে রঞ্জননা ফোঙদোকখ্রে।

মথক্কী ৰাফম অসি ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী খাঙবোকতা এন ঐচ -১০২গী নোংপোক্তা নৌনা শাবা সুর হোস্পিটাল কৌবা অনা-লায়েংশঙ অমা শঙ্গাবগী থৌরমদা লোক সভাগী এম পি ডা. আর কে রঞ্জননা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খিবদা, ঙসি হাংদোক্লিবা হোস্পিটাল অসিগী ডোক্তর অসিদি লন্নাইগী থবক্লা তুংওইরগা মীয়ামগী ওইবা থবক্লা মাঙ থানা তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। মরম অদুনা মীয়াম্নসু মসিদা মতেং পাংবীয়ু হায়রদুনা হৌজিক্তি কোভিদ-১৯গী চৈথেং লাকপা অসিদা প্রাইম মিনিষ্টরনা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংসু লোন পীদুনা



অহেনবা পোৎলমশিং হাপকৎনবা খঙহনখিবসু লৈখ্রবনি হায়খি।

হোস্পিটাল অদু শঙ্গাবগা মরী লৈননা সুর হোস্পিটালগী মেনেজিং দিরেক্টর ডা. লাইশ্রম সোমেননা হায়খিবদা, মফম অসিদা ঙসি হোস্পিটাল অমা হাংলিবা অসি মীয়ামদা চৎনবা য়াবা মমলদা ক্বালিটি সর্ভিস পীনবগী পান্দমদা হাংজবনি। হোস্পিটাল অসিনা অহানবগী ওইনা সর্ভিস পীজগদৌরিবা অসি গাইনোকোলোজিষ্টতা অহানবা মীৎয়েং থমগনি হায়রদুনা মতম মতমগী মতুংইন্না ওর্থো, সর্জরি অমদি অঙাংশিংগীসু অথুবদা হাপচিল্লগনি হায়খি।

হোস্পিটাল অসিগী থবক থৌরম খূদিংমক অনা লায়েংবা হায়বসিনা মাঙ থারগা সর্ভিস ফজনা পীনবা হোৎনগনি। মীয়ামগী নুংঙাইরোইদবা কমপ্লেন্টশিং হোস্পিটাল অসিদা লাকহন্দনবা হোৎনগনি হায়না ডা. সোমেননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# এম এস এফনা মোংশাঙ্গৈ অমদি লংথবাল লৌকোলশিং য়েংশিনবা হৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস): জুন ১৭তা লৌউ-শিংউগী মতাংদা এম এস এফনা য়েংশিল্লগনি হায়খিবগী মতুংইন্না ঙসি মোংশাঙ্গৈ অমদি লংথবাল লৌকোলশিং য়েংশিনবা হৌখ্রে। মফম অদুদা লৈরম্বা লৌমী খরনা পেন্দবা কয়া ফোঙদোরক্লি। চহী অমগী চাননবা হোৎনদবদি য়াদবনিনা মশা-মশাগী লৈজবা শেল পুথোক্লদুনা ঈশিং চিংনবা পম্প লৈদুনা মফমদুদা অহিং য়ারেক্তুনা অৰাবা মায়োক্লহৌরি হায়না মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)কী জেনরেল সেক্রেটরি হিজম রোসননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মালেম অসিদা লায়না-লাইচৎ কয়া লাক্লবসু থেংনবা ঙম্নবা মীওইবনা হিংবদা চঙদবা য়াদ্রবা চান-থক্লবা পোথোকশিং মরাং কায়না লৈরবা মতমদা মীপাল তাঙদবা খুন্নাই অমা ওইগদৌরিবনি। অদুবু ঙসিদি কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিনা চানবা ফাওবা মীপাল তাঙবা লৈবাক অমা ওইরি। মমাংঙৈদগী চাথোক পুথোক মরাং কায়না লৈজরম্বা ইরমদম অমা ওইজরবসু ঙসিদি উ-ৰা, চীংনুং-মানুং কোকথোক্লকপনা কুমগী নোং মরাং কায়না চুরক্তবা অসিনা তুরেল অমদি ইরম খোংলমশিং অসি ফুনজিল্লকপনা মরম ওইরগা লৌউ-শিংউবদা ঈশিংগী অৰাৎপা লৈরকপনা মতম চানা লৌউ-শিংউবা তৌনবা হোৎনবদা লৌমীশিংদা অৰাবা চৈথেং কয়া মায়োক্লদুনা লৈরিবা অসিদা পাল্লিবা লৈঙাক অমদি এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা মীৎয়েং চঙবীদুনা করি করি থবক থৌরম পায়খৎপা য়াবগে হায়বদু তান্নবীরগা লৌমীশিংগী য়াইফনবা হোৎনবীয়ু হায়না এম এস এফনা মরী লৈনবশিংগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি।

তুরেল খোংবাল অমদি ইরম খোংলমশিং শেংনবা ৱাটর রিসোর্ছ দিপার্টমেন্টনা থবক থৌরম কয়া অমা পায়খৎলবসু ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইবা থবক ওইনা তৌবনা তুং কোয়না চৎনগদবা মওংদা শেন্নীদবা কয়া অসিনা ঙসিদি ইরমদম খুন্নাই অসিদা ঈকং থোকপা হায়বদু থোক্লরে। ঈকং থোকপা অসিনা লৌউ-শিংউ তৌদুনা পোথোক কয়া পুথোক্তুনা শুবা নোম্বা তৌদুনা হিংজবা লৈত-লায়র মীয়ামদনা হেন্না হেন্না শোকচিল্লকপা, অৰাবা অমগী মথক্তা অৰাবা অমা হায়বদু ওইদুনা লৈরে। ৱাটর রিসোর্ছ দিপার্টমেন্টনা প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎলবসু শুরম শারম্লগা খক্তা থম্লম্বনা তুং কোয়না য়েংশিনবীদবা কয়া অসিনা প্রোজেক্টশিং অদু লৌমীশিংদা কান্নবা ফংলক্তবনা মরম ওইরগা মীপাল তাঙবা লৈবাক অমা ওইরক্লিবনি।

কুমগী নোং মতম চানা চুরক্তবা অসিদা মাইনর ইরিগেসন দিপার্টমেন্টনা লৌরি-লৌখোংশিংদা মতম মতমগী ওইবা ঈথৈ লৌখোং কেনেলশিং মতিক চানা থন্বীদবনা ঙসিদি ঈশিং ফংদবগী লৌমীশিংদা অৰাবা কয়া মায়োক্লবতা নত্তনা কোক্তা খুৎ হাপ্লরে। এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট, মাইনর ইরিগেসন দিপার্টমেন্ট অমদি ৱাটর রিসোর্ছ দিপার্টমেন্টনা মতিক চানা তুং কোয়না লৌমীশিংদা ঈশিংগী অৰাৎপা লৈহন্দনবা ঈথৈ লৌখোং কেনেলশিং মফম চানা শেন্বী শাবীদুনা মতম মতমগী ওইবা লৌউ-শিংউদা চঙদবা য়াদ্রবা এগ্রিকলচরেল কেমিকেলশিং মরাং কায়না অহোংবা মমলদা মীয়ামদা ফংহন্নবা হোৎনবীয়ু হায়না এম এস এফনা মরী লৈনবশিংগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# কৈনৌ জি পিদা মীওই ১০০০ ভেক্সিন কাপথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস): ওইনাম এ সীগী এম এল এসু ওইরিবা মণিপুর পোল্ল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চেয়রমেন লাইশ্রম রাধাকিশোরগী লমজিং মখাদা কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স কৈনৌ গ্রাম পঞ্চায়টনা শীন্দুনা গ্রাম পঞ্চায়ট অসিগী মনুংদা লৈবা ৰার্দ নম্বর ১ দগী ৯ ফাওবগী মফম অহুমদা মীওই লিশিং ১ রোম ভেক্সিন কাপথোকখ্রে।

কৈনৌ গ্রাম পঞ্চায়টপু কোভিদ ফ্রী ওইবা গ্রাম পঞ্চায়ট অমা ওইনবগী পান্দমদা কৈনৌ থোংখোং কম্যুনিটি হোল, কৈনৌ গ্রাম পঞ্চায়ট ওফিস অমদি য়ুম্নাম খুনৌ লাইবুংদা হিদাক কাপথোকপগী থৌরম অদুদা এম এল এ, এল রাধাকিশোর অমদি কৈনৌ গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এন জি সোভানা য়াওনা ৰার্দ মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

হিদাক কাপ্পা অদুগা মরী লৈননা এম এল এ রাধাকিশোরনা হায়খি, ইন্দিয়া পুম্নবদা চহী ১৯গী মথক্তা লৈবা মীওইশিং কোভিদ-১৯ লায়নাদগী ঙাকথোকনবা হিদাক কাপ্নবা থা অসিগী ২১দা লোঞ্চ তৌখিবা অসিগী মতুংইন্না ঙসি কৈনৌ গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুংদা লৈবা ৰার্দ নম্বর ১দগী ৯ ফাওবগী মীওইশিং হিদাক কাপ্পগী দ্রাইভ অসি চথবনি। কোভিদ-১৯গী হিদাক কাপ্তুবশিং লায়না অসি নারক্লবগী মরম অমা ওইবনা লৈঙাক, গ্রাম পঞ্চায়ট, ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল অমদি ক্লব ওর্গনাইজেসনশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা পাক শন্না হিদাক কাপ্পগী অকনবা দ্রাইভ চথরি হায়রদুনা হিদাক কাপথোকপা অসিদা য়াওহৌদবা মীওই খূদিংমক্লা হিদাক কাপ্পীনবসু আপীল তৌরদুনা হেল্থ দিপার্টমেন্টতা লৈরিবা মীওইশিংনা মীওইবগী পুন্সি কন্নবা অহিং-নুংথিল, তুম্বা চাবা খঙদনা অকনবা মওংদা লাম্থেংনরি হায়নসু এম এল এ রাধাকিশোরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

কৈনৌ গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এন জি সোভানানা হায়খি, গ্রাম পঞ্চায়ট অসিগী মনুংদা লৈবা ক্লব ওর্গনাইজেসন, আশা, অঙ্গনৱাদি ৱর্করস অমদি মৈরা পায়বীশিং খুৎশম্নরগা য়ুমথোঙ খূদিং কেম্প্যেন চৎলগা এৱ্যের্নেস পীরবা তুংদা হিদাক অসি কাপ্পনি। চিংথহৌবা মীওইশিং মখা তানা কাপ্নবা হোৎনগনি হায়নসু প্রধান সোভানানা ফোঙদোকখি।

# দি সীনা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চথরিবা কোভিদ ভেক্সিনেসন তৌবগী থবক থৌরমশিং ইম্ফাল ইষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নার (দি সী) কে ঐচ দাইনানা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

য়েংশিন-খোঙচৎ অদুদা ইম্ফাল ইষ্টকী এদিসনল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট সমিম অহমদ শাহ অমসুং এস দি ও শওক্লুং টি মিলিকানসু শরুক য়াখি।

য়েংশিন-খোঙচৎ অদুদা ইম্ফাল ইষ্টকী দি সীনা মীয়ামদা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপথোক্লনবা আপীল তৌরদুনা হায়খি, কোভিদ টাস্ক ফোর্সশিং অমদি লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙশিংগা খুৎশম্নদুনা মফম কয়াদা পাঙথোক্লিবা ভেক্সিনেসন কেম্পশিং অসিদা মীয়াম্নসু শরুক য়াদুনা ভেক্সিন কাপথোকপীয়ু। মসিনা কোভিদ লায়না লাইচৎতগী ঙাকথোকপদা মতেং ওইগদৌরিবনি। মীয়াম্নসু ভেক্সিন কাপথোক্তুনা লায়না লাইচৎ অসিবু থেংনবদা থৌদাং লৈবা সিটিজন অমমম ওইমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি হায়রি।

দি সীনা লুচিংবা ওফিসল টিমনা চথুখিবা য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স, পৌরাবীগী ট্রেজরর য়াম্নেম রতন অমসুং কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স, পৌরাবীগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি অমদি ৱাইতোন জি পি কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ টাস্ক ফোর্সকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ৱাহেংবম জনমঞ্জয় মৈতৈসু শরুক য়াখি হায়রি।

# ‘কন্সত্রক্সন ৱার্করশিংগী পেন্সন পীবীয়ু’

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস): লমদমসিদা লৈরিবা কন্সত্রক্সন ৱার্করশিংগী পেন্সন পীবীয়ু হায়না লোয়ালম কন্সত্রক্সন ৱার্করস ৱেলফ্যের য়ুনিয়নগী সেক্রেটরি টি ঐচ শখিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, য়ুনিয়ন অসিনা অথুবদা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মতম শাংনা কন্সত্রকসনগী থবক তৌদুনা পুন্সি লেল্লক্লবা শিন্নী কয়াগী অৰাবা অমদি লোকদাউননা মরম ওইদুনা থবক শুবা নোম্না য়াদবগী মতাংদা লৈঙাক্কী মফমদা অথুবদা অইবা চেরোল পীশিন্নবা অপূনবগী ওইবা ৰাফম কয়া য়ান্নখি। সোসল বিনিফিটকী মতাংদা চহী ৬০ শুরবা কন্সত্রক্সন ৱার্করশিংদি করিগুম্বা বিনিফিট অমত্তসু ফংবা ঙমদ্রে। মরম অদুনা চহী ৬০ শুরবা ৱার্করশিং অসিদসু লৈঙাক্কী সোসল বিনিফিট অমখক্তং ফংহনবা য়াননবা পেন্সন স্কিম মণিপুরগী ওইনসু চৎনহন্ননবা থবক পায়খৎপীয়ু হায়না লোয়ালম কন্সত্রক্সন ৱার্করস ৱেলফ্যের য়ুনিয়নননা লৈঙাক অমদি মরী লৈনবশিংগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি।

কন্সত্রক্সন ৱার্করস ৱেলফ্যের বোর্দকী মীফম অথুবদা পাঙথোক্তুনা পেন্সন স্কিম অসি চৎনহন্ননবা হোৎনবীয়ু। ৱার্করশিংগী ফংফম থোকপা বিনিফিটশিংসু পীথোকপীয়ু। অঙম-অথৌশিংনা খুৎ থিংজিন্দুনা লায়রবশিংনা পরম চুম্না ফংজগদবা বিনিফিটশিং ফংহন্দবগী থৌওং অসিদি য়ানিংদে হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# পর্সন ৱিথ দিসএবিলিটিশিংগী ওইবা ভেক্সিনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি সী এম ও ইম্ফাল ইষ্টকী মীৎয়েং মখাদা সোসল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্ট অমসুং টি দব্লিয়ু আই আর দি এসকা খুৎশম্নদুনা পর্সন ৱিথ দিসএবিলিটিশিংগী ওইবা ভেক্সিনেসন কেম্প অমা ঙসি খোংমনদা লৈবা ধনঞ্জয় ফিজিকেল্লি হেন্দিকেপকী রেসিদেন্সিএল ইংলিস স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অদুদা হকচাংগী ফীভম মীমান্নদ্রবা মীওই ৩০ কোভিদ ভেক্সিন ফর্ষ্ট দোজ কাপথোকখি। দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফ্যেরগী ওফিসরশিং, ডোক্তরশিং অমদি টি দব্লিয়ু আই আর দি এসকী ত্রেজরর সোরোতা লোয়ননা স্পেসল এদ্যুকেটরশিংনা শরুক য়াদুনা অমসুং লৈঙাক্কী এস ও পিগী চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্না পাঙথোকখিবা কেম্প অদুগা মরী লৈননা টি দব্লিয়ু আই আর দি এসগী সেক্রেটরি ঐচ ব্রোজেন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ ভেক্সিনেসন তৌবা অসিনা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোকপদা অমত্তা ঙাইরবা উপায়নি। হেল্থ সেক্তরশিংদা চৎতুনা মীয়ামগা লোয়ননা ভেক্সিনেসন তৌবদা খুদোংচাদ্রবা হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবশিং অসিবু ভেক্সিন কাপথোকপীনবা মঙজরকপা মঙলান অদু লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা মঙফাওনহনবীবা অসিদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি সী এম ও ইম্ফাল ইষ্ট লোয়ননা সোসল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্টপু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

কোভিদ-১৯গী অহানবা ৱেভতগী হৌনা সোসাইটি অসিগী থৌমীশিংনা দিষ্ট্রিক্ট কয়াদা লৈরিবা দিফরেন্টলি এবল্ড পর্সনশিংগী য়ুম-য়ুমদা চৎতুনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপা, ফেস মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজরনচিংবা পোৎলমশিং ফংহন্দুনা লাক্লি। মখা তানসু হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবশিং অসিগীদমক তঙাইফদবশিং পাঙথোক্লবা শেম-শাদুনা লৈ হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# লম্লাই এ সী অসি অৰাৎপনা পীক থল্লবা এ সী ওইরি : দেবেন

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস): লম্লাই এসেম্ব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি অসি ঙসিদি মীয়ামগী মীহুৎ লৈত্রবা এ সী অমা ওইবনা হীরম খূদিংদা অৰা-অনা কয়া মায়োক্লবদা নত্তনা অৰাৎপনা পীক থল্লবা এ সী অমা ওইরি হায়না মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী)গী কো-ওপটেদ মেম্বর অচোইবম দেবেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৰাফম অসি লম্লাই ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা লম্লাইদা পাঙথোকখিবা কম্মিটি অসিগী অনৌবা ওফিস অমা হাংদোকপগী থৌরমদা অচোইবম দেবেননা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্লা হায়খি, কোভিদ লায়না লাইচৎকী অৰাবা মায়াক্লরিঙৈ চৈরক অসিদা ষ্টেট অসিদা কুমগী নোংজু লাক্লবসু লৌমীশিংনা লৌউ-শিংউবা য়াওনা হীরম কয়াদা অৰাবা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লবনা লৌউ-শিংউবগী থবক নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমদনা লৈরি। মতম-মতমগী ওইনা লাকপা মীয়ামগী অৰাবা খুদোংচাদবা কয়া অসি কোক্লনবা লম্লাই ব্লোক কম্মিটিগা খুৎশম্নদুনা এম পি সী সীগী কো-ওপটেদ মেম্বর অমা ওইনা হোৎনবা য়াবা হোৎনদুনা লাক্লি। কোভিদ থেংননবা অমসুং লৌউ-শিংউবগী থবক য়াওনা হীরম খূদিংদা খুম্মাং চাউশিনবা লম্লাই এ সী অমা ওইহন্ননবগীদমক হোৎনবা য়াবা হোৎনখিগনি। মসিদা লম্লাই এ সীগী মীয়াম্না কোওপরেসন পীবীয়ু। লোয়ননা কোভিদ লায়নাদগী ঙাকথোক্লনবা ভেক্সিন কাপথোকপীয়ু। ভেক্সিন কাপথোকপা হায়বসি লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লনবা লম্বীশিংগী মনুংদা অমনি। ষ্টেট অমদি লৈবাক অসিগী হকশেল লোয়শঙগী অখঙ-অহৈশিংনা কোভিদ লায়নাদগী ঙাকথোক্লনবা পীরিবা চৎন-কাঙলোনশিংসু মীয়াম্না ঙাক্না চৎসি। মীয়াম পুম্নমক্লা লৌফম থোকপা থৌদাংশিং লৌমিন্নদুনা লায়না লাইচৎ অসিবু মায়থীবা পীমিন্নসি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

# জয়শ্রি উশমদা আর কে সনাতোম্বা জর্নেলিষ্ট এৱার্দ ২০২১ খুৎশিন্নখ্রে



ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস): কংলা লানপুং পাউচেগী এদিটর ওইরম্বা লৈখিদ্রবা আর কে সনাতোম্বগী মিংদা পীবা আর কে সনাতোম্বা জর্নেলিষ্ট এৱার্দ ২০২১ ইম্পেক্ট ন্যুজগী এসোসিএট এদিটর জয়শ্রি উশমদা খুৎশিন্নখ্রে।

আর কে সনাতোম্বা মেমোরিএল ট্রষ্টনা লমদম অসিদা লৈরিবা পাউমীশিংবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা চহী খূদিংগী লমদম অসিদা ঈ-পাউগী থবক তৌরিবশিংগী মরক্তগী থোইদোক হেন্দোকপা রিপোর্টিং তৌবা পাউমীশিংদা এৱার্দ অসি কংলা লানপুংগী এদিটরগী ওইরম্বা আর কে সনাতোম্বনা লৈখিদবা নুমীৎ জুন ৩০দা চহী খূদিংগী লাম্থোক্তুনা লাকপনি। এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ২৫, সাইটেসন অমা অমসুং লেংয়ান ফি অমা য়াওরি।

হৌখিবা চহীশিংদা এৱার্দ খুৎশিন্নবগী থৌরম অসি মীয়াম তীন্না পাক চাউনা পাঙথোকপগা লোয়ননা আর কে সনাতোম্বা মেমোরিএল লেকচর পীবা অমদি তোঙান তোঙানবা চেফোঙ ফোঙবগী পাঙথোকপনি। অদুবু চহী অসিগী ওইনা কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা এৱার্দ পীবগী থৌরম অসি এস ও পি ঙাক্লা কোনুং লৈকায়দা লৈবা লৈখিদ্রবা আর কে সনাতোম্বগী য়ুমদা চম্না পাঙথোকখ্রে।

এৱার্দ অসি আর কে সনাতোম্বা মেমোরিএল ট্রষ্টকী চেয়রমেন ডা. আর কে নিমাইনা জয়শ্রি উশমদা খুৎশিন্নখি। এৱার্দ অসি জয়শ্রি উশমনা কুমজা ২০২০দা জেন্দর ইস্যুগা মরী লৈননা তৌখিবা রিপোর্টিংশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা পীবনি হায়রি।

# মৈতৈ পাঙলশিংগী ওইবা ভেক্সিনেসনগী মতাংদা খন্নখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না দিরেক্টোরেট ওফ হেল্থ সর্ভিসেসকা খুৎশম্নদুনা লম্ফেলদা লৈবা দি সী ওফিস কমপ্লেক্সকী কোন্বীরৈ হোলদা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টতা লৈরিবা মৈতৈ পাঙলশিংগী ওইনা মাস কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন চথনবগী মতাংদা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা খন্নখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নার টি ঐচ কিরনকুমারনা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ওল মণিপুর মুস্লিম ওর্গনাইজেসন কোওর্দিনেটিং কম্মিটি (এ এম এম ও সী ও সী), জামিয়াট-উল উলেমা, মণিপুর, ওল মণিপুর মৈতৈ পাঙল ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসন, মণিপুর মুস্লিম ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসন (এম এম দব্লিয়ু ও), ওল মণিপুর মুস্লিম দিভেলপমেন্ট কম্মিটি (এ এম এম দি সী), য়ুনাইটেদ মণিপুর মুস্লিম



ৱিমেন্স দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, ওল মণিপুর মুস্লিম ৱিমেন্স দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, ওল মণিপুর মুস্লিম ডোক্তরস এন্দ মেদিকেল ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন, মুস্লিম এদভোকেটস এন্দ লিগেল সর্ভিসেস এসোসিএসন, ওল মণিপুর মুস্লিম ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (এ এম এম এস ও), পাঙল ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (পি এস ও), ওল মৈতৈ পাঙল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুর (এ এম পি এস য়ু এম) অমসুং রাইটর্স ফোরম মণিপুর (দব্লিয়ু এফ এম)গী মীহুৎশিং শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এ দি সী য়ুম্নাম নেলসন, এস দি ও ৱাঙ্গৈই অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওফিসলশিং অমদি পব্লিক হেল্থকী এদিসনল দিরেক্টর ডা. এল তোমচা, ষ্টেট ইম্যুনাইজেসন ওফিসর ডা. টি মনিহার, এস পি ও মেলেরিয়া ডা. চিষ্টি অমদি হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংসু শরুক য়াখি।

খন্ন-নৈনবা মীফম অদুদা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংগী মায়কৈদগী ভেক্সিনেসনগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোলশিং থমখিবগা লোয়ননা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা মুস্লিম কম্যুনিটিগী ওইনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন তৌবগী থবক থৌরমশিং খুম্মাং চাউশিনহন্ননবা অমত্তা ওইনা থবক তৌননবা অমদি লোকল সী এস ওশিং অমসুং রিলিজিয়স লিদরশিং য়াওনা ভেক্সিনেসনগী মতাংদা মীয়ামদা এৱ্যের্নেস পীবা অমদি মীয়ামবু ভেক্সিন কাপথোকহন্ননবা হোৎনমিন্নবা হায়নসু লেপ্পখি হায়রি।

## তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস): একাদেমীক ইন্সেন্টিভ এৱার্দ কম্মিটি, ময়াং ইম্ফালগী মেম্বরশিংনা অঙম-অঙম্বা খায়গৎনদুনা পি ভি কোলেজদা হাংলিবা কোভিদ ক্যের সেন্টরদা লৈরিবা পেসেন্টশিংগীদমক লুপা লিশিং ৫ তেংবাঙখ্রে। মতুং তারকপদসু কম্মিটি অসিনা অঙম্বা মতেং পাংখিগনি। সেন্টর অসিদা লৈরিবা মীওই খূদিংমক অথুবদা ফগৎলকপা ওইরসনু। মীয়াম্নসু কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লনবা লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পিশিং ঙাক্লা চৎপীয়ু। লোয়ননা কোভিদ ভেক্সিন মীপুম খূদিংমক্লা কাপথোকপীনবা কম্মিটি অসিগী মায়কৈদগী আপীল তৌজরি হায়নসু একাদেমীক ইন্সেন্টিভ এৱার্দ কম্মিটি (এ আই এ সী ও), ময়াং ইম্ফালগী সেক্রেটরি সী ঐচ অশোকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# কোভিদ ক্যের সেন্টর য়াওনা মফম কয়াদা তেংবাঙ পোৎলমশিং খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস): রোয়েল রাইদর্স মণিপুরনা কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা নোর্থ অমেরিকান মণিপুর এসোসিএসনগা খুৎশম্নদুনা লম্বোই খোংনাংখোংদা কোভিদ ক্যের সেন্টর অমদি লুৱাংশংবমদা লৈবা আইসোলেসন সেন্টরদা পি পি ঈ, ওক্সিমিটর, সেনিটাইজর, মাস্ক, সর্জিকেল গ্লোভনচিংবা পোৎলম কয়া মতেং পাঙখ্রে হায়না রোয়েল রাইদর্স মণিপুরগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি রমানন্দ লৈশাংথেমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লাংজিংদা লৈবা নুপীমচাশিংদগী ওইবা হোপ হোম অমদি লাঙ্গোল নিংথৌ লৈকায়দা লৈবা লাঙ্গোল ওল্ড এজ হোমদসু রোয়েল রাইদর্স মণিপুরনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং মতেং পাঙখ্রে। মসিদসু মৈতৈ লাঙ্গোল পুন্সি খুলগী অকোয়বদা লৈবা য়ুমথোঙ ৫০ রোমদসু চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখি।

তেংবাঙ পোৎলমশিং অদু য়েন্থোকখিবগা লোয়ননা রোয়েল রাইদর্স মণিপুরগী প্রসিদেন্ট লাইশ্রম মোমোননা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা লমদমসিগী মীয়াম্না অৰাবা কয়া মায়োক্লরিবা অসিদা খরখক্তা ওইরবসু মতেং ওইনবা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা তেংবাঙ অসি পীবনি। মখা তানসু তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মতেং পাঙখিগনি। লাইচৎ অসিবু মায়থীবা পীনবা হোৎনবদা মীয়াম্না এস ও পি ঙাক্লা চৎপীনবা আপীল তৌখি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।